# সকুনি শাবদা মীয়াম্না থোইদোক্লা মশক খঙনরিবা লমদমসিগী তাঙলবা এক্টর / দিরেক্টর লোইতোংবম ব্রজমোহোন

\- *নানি*



লোইতোংবম ব্রজমোহোন

এক্টর অমা ওইদুনা পর্ফোর্মেন্স মখল কয়া পীরকপদা, মীয়ামগী থম্মোয়দা লেঙদনা য়োক্তুনা থম্বা ঙম্বা, মহাক্কী এক্টিং, দেলিভরি, ষ্টাইলাইজেসন কয়া অদু কাউবা ঙমদনা মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহনবা ঙম্বা হায়বসে, এক্টর অদুগী চাউরবা মায় পাকপা অমনি। মসি এক্টর খূদিংমক্না পাক পাক ঙম্বদি নত্তে। মসি ওইনবা হোৎনবদা অচৌবা শিংনবা অমগা লোয়নননা থৱায় য়াওনা চঙশিনবা অমা মথৌ তাই। মহাভারতকী কুরুক্ষেত্রগী লান হায়বসি, ঐখোয় কনানসু থেংনহৌদে। ৱারী-লাইরিক্তগী তাবনি। লান অদু ওইথোক্লবা শুংগৎনবা হোৎনবদা খ্বাইদগী চাউবা রোল লৌখিবশিংগী মনুংদা মাম্মা সকুনি হায়বা কেরেক্টর অসিসু অমনি। মহাক কৌরবকী দুর্য্যধোনবু তশেংনা নুংশিবা নত্তে, দুর্য্যধনগী মথক্তা ময়াম্বশিং হাৎখিবগী লমন খুমগে হায়দুনা ৱাশক অমগা লোয়নননা শীংদুনা লাকপনি। অদুনা সকুনিনা য়াম্না হৈ-শিংনা দুর্য্যধনবু থাগৎ-থাগৎলগা শাউহল্লি, অদুগী লান অদুগী মনিন কন্নবা কন্না হোৎনখি। মহাভারত হায়বসি ঐখোয়না দুরদর্শনদা সিরিজ ওইনা শন্দোরকপদা য়াম্না থৱায় য়াওনা য়েংখিবা সিরিএল অমনি হায়না লৌবা য়াই। অহল-লমন, নুপী-অঙাংদগী চিংলগা নুপা-নহা, অহল খাক্তনা হায়রিবা সিরিএল অসিবু মতম অমদা য়াম্না পূক্নিং খোয়জংনা য়েংনখি। মদুদা মখল কয়াগী কেরেক্টরশিং উবা নত্তনা পূক্নিংনা থোইদোকপা লাকশিন্দুনা য়েংলুদে।

মণিপুরদা ওদিও কেসেট য়াম্না ফোঙনবা মতম অদুদা মহাভারত হায়বা দ্রামা অসি সিরিজ নাইনা ফোঙলকখি। হৌজিকসু মদুগী দ্রামা অদু লেপ্তুনা মীয়াম্না তান্নরি। মণিপুরদদি মাম্মা সকুনি শাবদদি ওজা ব্রজমোহোন নৎত্রবদি লৈত্রে। অদুনা মাগী খোম্থোক, ৱাঙাং, খুনোক, লোল মশেম পুন্নমক অসিগা লোয়নননা মশক উদনা খোঞ্জেল খক্তংদা সকুনি হায়বদু অসি ওইরবোই নীংনা শাগৎলি। ওজা অসিদগী হেনবা সকুনি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মণিপুরদা থোরক্ত্রি হায়বদা হেনজিনবা তারোই। ওজা অসি অঙাং ওইরিঙৈ লৌশিং খজিক খজিক তারকপদগী হৌনা মপু-মবেননা গৌড়া লীলাদা কৃষ্ণ শাহন্দুনা পর্ফোর্মেন্স য়াওবা হৌহল্লকখি। মদুদা য়াম্না পীক্লা চুখিবা মৈরী অদুনা ঙসিদি মঙাল নাইনা লমদম অসিদা ঙাল্লরে। হিয়াংথাংগী কমখ্যা আর্টিষ্ট এসোসিএসন হায়বা অমা অহল-লমনশিংনা তৌবীরম্বা অদুগী লীলা তম্বদা থৱায় য়াওনা য়েংলকই। ইহান হানবা ওইনা এসোসিএসন অদুগী লীলা শান্নবদা কৈ শাখি। অসুম্না মথং মথং চঙশিল্লকপনা অচৌ-অচৌবা রোল কয়া কুমদুনা মরুওইনা হিয়াংথাংগী মীয়াম অমদি মতমদুগী উহৌবা কয়াদদি ওজাগী হৈ-শিংবা অদু উৎথোরকখি। ওজাসি পীক্লিঙৈদগী হৌনা শৈরেং থিবনচিংবদসু য়াম্না থৱায় য়াওজরকই। অদুবু করিগুম্বা অমা খঙনিং-হৈনিংবদা লমদম অদুদা তাথোক-তাশিন তৌনবগী হৈ-শিংবা ওজাগী খুদোংচাদবদি থেংনরকখি। অসুম্না লৈকায়দা থিএটর তৌবা হায়বসিমক্তবু পামজবগী তৌবনি। তশেংবদি ইরলসু পুথোকপা, ইপাঙ্গলসু থাংদোকপা, খোম্থিসু চাবা হায়বদুনি। অদুনা য়াম্না ৱানা থিয়েটর তৌরকপদগী খজিক্তং নুংশা শ্বর হোন্দোকপা য়ানা পূক্নিং লৈতানা লীলা তৌবা মফম থিরকপদা ইহান হানবা ওইনা অর্য়ান থিয়েটরদা য়াওনবা হোৎনজখি। অদুবু মতমদুদা হোল শেমজিন শাজিনবগী খুদোংচাদবা লৈবদুনা অর্য়ানগীসু মতম খরা লীলা লেপ্পা ওইখিবদগী মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা অমুক য়াওনবা হোৎনখি। কোন্নথংদা কুমজা ১৯৮৪দা রূপমহল থিয়েটরদা লীলা য়াওনবা ইহানা হানবা ওইনা হোলগী মমাঙদা অপীকপা দুকান মচা অমা ফম্লম্বা লৈখিদ্রবা বাবা বিরমঙ্গোলদা হংলুবদা বাবানা রূপমহল হায়বসি ঐগীনি, নঙগীনি, ঐখোয়গীনি করিগী য়াওবা য়াদনি, য়াওগদবনি হায়না পুকচেল চাউনা হায়বীরকপদু তাবদা অনৌবা ৱাখল মীৎয়েং অমগা লোয়নননা রূপমহলদা লীলা য়াওবা হৌরকখি। ফনা কুইনা রূপমহলদা য়াওরবসু পুথোকখিবা লীলাশিংদা রোল অমফাওবদি ফংবা ঙমখিদে। মরক মরক্তা লাক্তবা মীগী মহুৎ শীন্দুনা লীলা তম্বা, দাইলোগ ফাবা, এক্টিং হৈহৌবা কয়াদি মশাদা ওইনা কান্নবদি ফংজখি। নোংফাদোক আর্টিষ্ট অমনা নারক-য়েক্লকপদা খুদোংচাদদুনা লাক্তবা মতমদা মতেক ময়াদা মহুৎ শীন্দুনা কুম্বা নত্তনা নাতৈ-ৱাইওং চাবা কেরেক্টর রোল অমফাওবা ফংবা ঙমখিদে। অদুবু মতমদুগী লাইগুম্লবা রূপমহলগী অহল-লমনশিংগা পুঞ্জহৌবা, মখোয়গী মীনুংশি ফংজ হৌবা, লীলা মখল কয়া তাকপী তম্বীখিবশিং অদু মমুৎ তানা য়েংহৌবা,



রূপমহলগী বির টিকেন্দ্রজিৎ প্লেদা থাঙ্গাল শাবগী শক্তম

খঙহৌবা কয়াশিং অদুনা ওজা অসিদা অচৌবা পারা অমা নুংতি খূদিংগী পাবগুম ফাবগুম মশাগী মরল ওইনা তুংশিঞ্জবা ঙমজহৌখি।

রূপহমলদা মপুং ওইবা অচৌবা রোল কয়া কুমদ্রবসু রোল মচা মচা কুম্বদদি য়াম্না হৈ-শিংবা, মীপুম তীংনা পূক্নিং নুংওলহনবা ঙম্বা ওজা অসি থোরকপদা পেন্নখি। ওজা অসিগী রোল অসিনা তৌফম থোকপা কয়া অদু মমুৎ তানা এক্টর্স দিজাইন হাপ্তুনা উৎলকপদা অয়েংবশিংগী থম্মোয়দা মতম চুপ্পগী ওইনা নীংশিংদুনা লৈহনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই অমা চেল্লি। মসিমক্তি আর্টিষ্ট অমনা হেক্তা তৌবদা ৱারগদবা, মশাগী ওইবা সাইন তৌবা ঙম্বা অমা চঙবগী মথক্তা, থোইদোক্লা হৈ-শিংবা অমগী মথৌ তাই। অদুগুম্লবা মচাক মরল অদু ওজা অসিদদি চাউনা য়াওদুনা লৈ। হৌজিক্তি রূপমহলগী মমিং লৈরবা লীলা কয়াদা মরুওইবা রোল কয়া কুমদুনা লীলাগী মথ্বায় হাপকৎলি। অনৌবা রূপমহল প্লে কয়াদা দিরেক্সন তৌদুনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু শেমগৎ-শাগৎপদগী হেন্দোক্তুনা রূপমহলগী প্লেশিংবু হিংহন্দুনা থম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। ওজা অসি হৌজিক ফাওবদা এৱার্দ ২০ হেন্না ফংদুনা মিংচৎ উরোং খিনবা ঙম্লে। মদুগী মনুংদা বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট সপোর্টিং এক্টর অমদি সেকেন্দ বেষ্ট এক্টরনচিংবা কয়াগা লোয়নননা ওজানা দিরেক্সন পীদুনা রূপমহলনা পুথোকখিবা প্লে *কক্লবসু অহিংবা মকোক* হায়বা প্লে অদুনা ১৯৯৬তা অল্লাহবাদতা নট্য সঙ্ঘনা পাঙথোকখিবা থিয়েটর ফেষ্টিভেলদা মনা ফংলকখিবগী রিপোর্ট লৈরি। মসিদা নত্তনা হিজম ইরাবত মেমোরিএল এৱার্দ ফোর থিয়েটর ২০১২, থিয়েটর সেন্টর এৱার্দ ২০১৩, পাম্থোইবী নট্য মন্দিরনা পীবা মিংলেন খোঙা ২০১৭, ডা. বি আর অম্বেদকর ইন্টরনেসনল এৱার্দ ২০১৮, অরিবম নন্দকিশ্বর শর্ম্মা মেমোরিএল এৱার্দ ২০১৮, ষ্টেট কলা একাদেমী এৱার্দ ২০১৫, বি এম মেকোলা মেমোরিএল থিয়েটর এৱার্দ ২০১৯, ইরাবত নীংশিং মনা ২০২১ হায়রিবা মনা কয়া অসি ফংবীখ্রে।

লমদম অসিগী মমিং লৈখিবা থিয়েটরগী ওজা লৈখিদ্রবা হুইরেম মোটিলালনা অদিগুরু ওইদুনা থিয়েটরগী লমজং অসিদা চঙশিনবা হৌরকখিবা, কমখ্যা আর্টিষ্ট এসোসিএসন হিয়াংথাংগী লোকেল আর্টিষ্ট অমা ওইনা প্লে ৩০ রোমদা তোঙান তোঙানবা রোলদা কুম্বীরকখ্রবা অমদি মশক তাক্লকখ্রবা ওজাশিংগী তোপ তোপ্পা মশক অমা হায়বা তারবদি রুরেল থিয়েটরবু য়োকখৎপা অমদি রুরেল এরিয়াদা থিয়েটরগী মশেক মঙাল পীদুনা মণিপুরী থিয়েটরবু হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবদা অঙম্বা থৌদাং লৌরকপা অসিনি। মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চৎতুনা লীলা কয়া তম্বীরকখি। মদুগী মনুংদা ইরোইশেম্বা, বাশিখোং, হৈরোক, কৈরক, হিয়াংলম, লাংমৈদোং, নম্বোল মাইবম, থোংখোং লক্ষ্মি বজার, ৱাঙ্গৈই লাইফ্রাকপম, ৱাঙ্গৈই, শামুরৌ, নাওরেম, মৈত্রম, কোদোম্পোকপী, লাইরেঞ্জম অমদি খা -সঞ্জেনবমনচিংবা মফম কয়াদা দ্রামা ৫০ হেন্না দিরেক্সন পীখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী শকখঙলবা শৈরেংবা অমা ওইবদা নত্তনা দ্রামাগীসু বি হাই গ্রেদকী আর্টিষ্ট অমা ওইরি। কুমজা ১৯৫৭কী মার্চ ১দা হিয়াংথাং মখা লৈকায়দা পোকখিবা ওজা লোইতোংবম ব্রজমোহোন সিংহগী অপোকপা মিংদি এল অমুয়াইমা কৌই। মণিপুর লৈঙাক্কী রেভিন্যু দিপার্টমেন্টতা মতম শাংনা থবক তৌবীরম্মী। হৌজিক্তি থবক্তগী পোত্থাদুনা লৈরে।

হৌরক্লিবা নহাশিংদা পাউজেল পীরদুনা ওজানা অসুম্না ফোঙদোক্লি, আর্ট হায়বসিদি য়াম্না পাক চাউবা, মপুং ফানা খঙবা ঙমদবা অসিনি। মসিবু খজিক্তং খঙজগে হায়বা তারবদি পামজৈ হায়বা অদু খক্তনা য়াদে। কখোকপা, অচেৎপা লাইনিং লৈবা, থকশি-খাশি খঙবা অমদি মীনা ঙাংবা মুন্না তাবা হৈবা অদু ওইগদবনি। মসিমক্লসু লোইবা নৎত্রি । পুন্সিগী খোঙথাং খূদিংমক মুন্না খঙনবা হোৎনবা, হোংলক্লিবা মতমগী ঈচেল অসিবুসু ঈরোয়মিন্নবা ঙম্বসু মথৌ তাই। মতম অমা লমদম অসিগী লাইগুম্লবা অহল-লমনশিং কয়ানা থন্বীরম্বা চৎন-কাঙলোন, থকশি-খাশি, থৌগল্লোনশিং অদু ইশাদা শাগোন্নরগা পামজরিবা লম অদুদা চপ চানা খঙলগে হায়না তানবা অমা মথৌ তাই। অদু নৎত্রবদি আর্টকী অথুপ্পা কয়ানা ইনাক্তা লৈবা ঙম্লোই। ৱাফম অসিমক হৌরক্লিবা নহাশিংনা মুন্না খঙজিনবা মথৌ তাগনি। লোয়নননা মখোয় মখোয়গী তুংগী করিয়র অমা শেম্বা মতমদা আর্টখক্কী ৱা নত্তনা হিরম কয়াদা মায় পাকপা ওইগনি হায়বা ৱাফম অসিসু মতাং চানা নীংশিংজরি।

ওজাগী পুন্সি নুংশাংবা, অৱা-অনা, তুরৈ-ঈরৈ চেন্দনা, হকচাং ফনা মতম শাংনা হৌরক্লিবা নহাশিংবু অচুম্বা অফবা লম্বীদা লমজিংবদা অহেনবা ৱাখল লৌশিং থৌনা পীবীখো হায়না তাইবং শেম্বীরিবা মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৯।২০২২ ইং, নোংমাইজিং;
লাংবনগী থাশু।

মেষ: অয়ুক্তা মতম মাঙল্লবসু নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংজগনি, পল্লম্বা থবক পাঙবা, মীংচৎ অফবা ফংবা, পল্লম্বা শেল ফংবা য়াবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা খরা থুংলনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: নাইতোম ৱারেপ লৌবা অমদি অরুবা থবক্তা খুৎ থাবদা চিংনবা লৈগনি-অদুবু মীয়াম্না পাম্বদা চৎপনা মায় পাক্কনি। য়েক্লবদি ঙমজগনি, লনসু চঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: অয়ুক্তদি ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগদবা খোঙশাল লৈ। নুমিৎয়ুংবা মতুংদদি নীংবা থুংবা ৱাগনি। মীয়াম পুনবা পামগনি অমদি নুংঙাইবা খরসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: নুমিৎয়ুংবা মতুংদা নীংবা থুংগনি, হকচাং নুংঙাইবসু হেনগনি। নচা-ননাই চাওখৎপা, থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাজবা অমদি মীনা থাগৎপিবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ওইজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ: অয়ুক্তা হরাওবা নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎকদবা অফবা খোঙশাল লৈ। ওইজবা ফংগনি, মরুওইবা লন চঙগনি। হন্থবা লোয়নরদি অকিবা ফংনা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চিন কল্লদি মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: থেংলপ্পা নীংবা থুংবা, মীচঙ হেনগৎপা, লন চাওখৎপা অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা লৈগনি। অদুবু কোক শাবা অমদি লোয়নৈ, মীতোপ্তা হেন্না থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা য়াম্না চাওনা মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ-অফবা থবক পাঙহৌরো। নাপল তৌবা, থৌনা ফুদোকপদি মতাং চারোই। নরল চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

বৃশ্চিক: থবক পাঙগনি, ওইজবা ফংগনি, মীচঙ ৱাৎলোই, ঙাং-শকপসু পকচগনি। মরুপ মপাংনসু নুংশিবী। অদুবু য়েক্লবনা তাথি-শাওগৎতনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

ধনু: নুমিৎয়ুংবা মতুংদা মীপায়রম্বা কোকচদুনা অনীংবা থবক পাঙগনি। য়েক্লববু ঙমজবা, মীয়ামগা মরী ফগৎলকপসু লৈ। মীনা ইনশিনবা লন ময়েং তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: মীয়াম পুনবা অমদি পল্লম্বা থবক পাঙবগী নুংঙাইবদি লৈগনি। নাইতোম ৱারেপ লৌবদি য়ারোই, হোয়া ফবসু অপঙ তাগনি। লৌশিং চাওবগী ৱা তাও।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: নুমিৎয়ুংবা ফাওবা লাইবক থোইনা ফবা, নীংবা থুংবা অমদি য়েক্লববু লাকশিনগদবা খোঙশাল লৈ। নহৈ/নচা ননাই/ৱানোম থৌনোমগী লমদা মায় পাক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱারৌনবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি। শেল থুমগী কান্নবা হেনবা, য়েৎনরম্বা কোকচবা নুমিৎনি। চিন কনবদি চোপকনি অমদি লৌশিং ফকচিন্দুনা থবক পনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

## চীং-তম অনীমক্তা ময়ুম-মকৈ লৈজদবা কয়া লৈরি : রাজেন



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসি কাঙলুপ কয়ানা খুন্দারিবা লমদম অমনি। লমদম অসিগী চীং অমসুং তম অনীমক্তা মশাগী ময়ুম-মকৈ নীংথিনা শাবা ঙমজদবা, লৌ-ইংখোল লৈজদবা, হিংবদা কা হেন্না ৱারবা দলিট ফেমিলি কয়ামরুম লৈরি। চেক্কী য়ুম, জিঙ্ঘনা কুপ্পা উরগা লমদম অসি চাউখৎলে, দলিট ফেমিলি লৈত্রে হায়দুনা লৈঙাক অসিনা করিগুম্বা লায়রবশিংগী চাকথুং পীবীদ্রগদি ওল মণিপুর দলিট দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন (অমাদ্দা)না তুমীন্না খক লৈরোই হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. টি এম রাজেন অয়াংবনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর ১৫দা পাঙথোকখিবা অমাদ্দাগী কাংপোকপী ব্রাঞ্চ ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নেসনল হায়ৱেগা তায়নবা চীংগী মফম খরদা চাউখৎপগী মমি তারগসু চীংগী মনুং হঞ্জিনবদা খুদারিবা খুঞ্জা কয়া অমদি কা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরি। লৈঙাক্কী মহৈ তম্ফম স্কুল, কোলেজ অমদি লায়েংবগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংহনবা ঙম্বা মতিক চাবা হোস্পিটালশিং মরাং কায়না লৈত্রি। অসিগুম্লবা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা কয়া অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা দলিট ফেমিলিশিংগী ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং ফংহনবীয়ু।

ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা দলিটশিংগী চাকথুং মতিক চানা পীবীরগা করিগীদমক মণিপুরগী দলিটশিংদনা পীবীদ্রিবনো। লায়রবা ঐখোয়গী চাকথুং ঐখোয়না লৌনবগীদমক লমদম অসিগী দলিটশিং ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী তঙাইফদবা মতম য়ৌরে। চীংমী-তম্মীনি হায়বগী খেন্নবা থমদনা লায়রবশিংগীদমক খোঙফম চেৎনা লেপ্লিবা অমাদ্দাদা দলিট ফেমিলিশিংনসু য়াওবীয়ু। দলিট ঐখোয়না ঐখোয়গী চাকথুং মতিক চানা লৈঙাক্তগী লৌনবা হোৎনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অমাদ্দাগী চীফ কন্ট্রোল্লর এন ইবোচৌ, অবুং তাংখুল অমদি এদভাইজর মোইরাংথেম সোরোজিনি লৈমা, খ্বাইরাকপম দিয়ানা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কে এস ও, সদর হিলস, এস এ ঐচ আই এল সী এ, কে ৱাই য়ু, কে দব্লিয়ু দব্লিয়ু ও কাংপোকপী টাউনগী মরুওইবা থৌমীশিং অমদি অমাদ্দা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্টশিংসু স্পেসল গেষ্টশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## জি এম হোলদা মনা য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): নিঙোম্বম শাগৈ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এন এস দি ও) মণিপুরনা শীন্দুনা ওর্গনাইজেসন অসিগী তরেৎশুবা মেরিটোরিয়স অমদি এচিভর্স এৱার্দ ২০২২ য়েন্থোকপগী থৌরম হয়েং সেপ্টেম্বর ২৫, নোংমাইজিং নুমীৎকী নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদা জি এম হোল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি। মনা অসি এন অমুসনা, এন রুপচন্দ্র, নরেন্দ্র নিঙোম্বা, নিঙোম্বম ইনাওবী, জিৎ নিঙোম্বা অমদি ডা. এন গ্যানেন্দ্রোদা পীগনি হায়না এন এস দি ওগী সেক্রেটরি ডা. নিঙোম্বম শান্তকুমারগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



Title : Joker
By : Ahenba Mutum
Class : I Roll No. : 7
School : Sagolband Popular Pre-Primary School




Title : Flower
By : Kh. Alvina Shahni
Class : Grade I Sec : Lily Roll No. : 34
School : AIM School



Title : Macow Parrot
By : Arash Rehan
Class : III Roll No. : 46
School : Standard Robarth Higher Sec. School



Title : Ocean
By : Bronson Thoudam
Class : III Roll : 52
School : Pitambara English School



Title : Kakashi
By : Nongthombam Samson
Class : V Roll No. : 22
School : Nongpok Maheikol



Title : M
By : Sillory Nongmaithem
Class : I Sec : B Roll No. : 11
School : KVS No. 1, Lamphelpat



Title : National Flag
By : W. Gelin
Class : I
School : Little Master Higher Sec. School



Title : A Happy Family
By : Bharati Irom
Class : II Sec : C Roll : 12
School : Pitambara English School



Title : Scenery
By : Bikash Khaidem
Sec: V
School : Maheilen



Title : A Scenery
By : Athokpam Dayarani
Class : VI Sec : A Roll : 7
School : Maheilen Education Boarding




Title : Cake
By : Kanishka Moirangthem
Class : N-2 Sec : A Roll : 1
School : Pitambara English School




Title : Manipur Map
By : Irengbam Meneka
Class : Nursery
School : Kangleipak Modern School



Title : House
By : R.K. Manisana
Class : Nursery Sec : A Roll : 56
School : Shining Bryne Academy



Title : The Simpsons
By : R.K. Mukeshsana
Class : IX Sec : Venus Roll : 5
School : Areca School



Title : Flower
By : Mutum Nanda Kumari
Class: III Roll No. : 26
School : Kendra Vidyalaya, Lamphelpat



Title : House
By : Tomthin Leima
Class : II Roll No. : 1
School : Sagolband Popular Pre-Primary School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।